ইম্ফাল, ডিসেম্বর ০৪, ২০২১

ইন্দিয়াদা ওমিক্রোনগী কেস

ইতিহাসিক ওইনা মীওই কোতি ১০০ হেন্না কোভিদ ভেক্সিন কাপথোক্লিঙৈ চৈরক্তা কোভিদকী অনৌবা ভেরিয়েন্ট ওমিক্রোনগী কেস অনি ইন্দিয়াদা থেংনরকখিবসিনা হেন্না নুংনাংনিঙাই ওইহল্লি। ওমিক্রোন পোজিটিভ ওইবগী কেস অনিমক কর্নাতকাদা থেংনরকখিবনি। মখোয় অনিমক সাওথ আফ্রিকাদা চৎলুবগী ত্রেভেল হিষ্টরি লৈবা ঙাক্তনি হায়না ইন্দিয়ান কাউন্সিল ওফ মেদিকেল রিছার্স (আই সি এম আর) গী দাইরেক্তরনা ফোংদোকখিবগা লোয়ননা হৌজিক ফাওবগী ওইনা পোজিটিভ ওইরবা মীওই অনিগী হকচাং মীপাইনিংঙাই ওইদ্রি। কোভিদকী অনৌবা ভেরিয়েন্ট অসি সাওথ অফ্রিকাদগী শন্দোরকখিবনি। হৌজিক ফাওবা অনৌবা ভেরিয়েন্ট ওমিক্রোনগী কেস অসি মালেমগী তোঙান তোঙানবা লৈবাক ২৭ তা কেস ৩৭৩ থেংনরে। হায়রিবা ভেরিয়েন্ট অসি মমাংদা শন্দোকখিবা কোভিদ ভেরিয়েন্টশিংদগী য়াম্না য়াংনা শন্দোক্কনবা খুদোংথিনিঙাই ওইবনি হায়না ৱার্ল্ড হেলথ ওর্গনাইজেসনগী মাইকৈদগী ফোংদোকপসু লৈখ্রে। হৌখিবা কুম ২০১৯ গী অরোইবা শরুক্তগী চাইনাদগী শন্দোরকখিবা কোভিদ ১৯ পেন্দেমিক অসি মালেমগী লৈবাকশিংদা লেপ্তনা শন্দোকপা হৌরকখিবনি। পেন্দেমিক অসিগী ফার্ষ্ট ৱেভ, সেকেন্দ ৱেভতা হেন্না খুদোংথিনিঙাই ওইবা ভেরিয়েন্টশিং শন্দোরকখ্রে। লৈবাক খরদদি থার্দ ৱেভ শন্দোরকখ্রে। পেন্দেমিক অসিগী চৈথেংনা মীওই কয়াগী পুন্সি লোমহনখিবা অমদি হিরম খুদিংদা অচৌবা শাফু অমা পিদুনা লাক্লি। শাফু অসি মায়রোং য়ানবা হোৎনবদা লৈবাকশিংনা অচৌবা পোৎলুম ওইবগা লোয়ননা অৱাবা কয়ামরুম মালেমগী মফম কয়ামরুমদা মায়োক্নরি।

ইন্দিয়াগী ওইনসু কোভিদকী পেন্দেমিকসিনা হীরম খুদিংদা শাফু পিবগা লোয়ননা শেল থুমগী ওইবা অচৌবা পোৎলুম অমা মায়োক্নরি। হৌখিবা শগোলশেন নুমিৎ ফাওবদা ইন্দিয়াদা কোভিদ পোজিতিব কেস কোতি ৩.৪৬ হেনখ্রবনি। পেন্দেমিক অসিনা লৈখিদবা অপুনবা মীশিং ৪,৬৯,৭২৪ য়ৌখ্রে। হৌজিক এক্তিব কেসকী মশিংনা ৯৯,৭৬৩ শুখ্রে। লৈবাক অসিগী ওইনা কোভিদকী চৈথেং কা হেন্না মায়োক্নরিবসি মহারাষ্ট্র, কেরলা অমসুং কর্নাতকানি। মহারাষ্ট্রদা কোভিদনা লৈখিদবা লাখ ১.৪১ হেনখ্রে, কেরলাদনা ৪০,৫৩৫ অদুগা কর্নাতকাদনা ৩৮,২১৩ য়ৌখ্রে। মনিপুরগী ওইনা হৌখিবা শগোলশেন নুমিৎ ফাওবদা কোভিদনা লৈখিদবা অপুনবা মীশিং ১৯৭৯ য়ৌখ্রে। হায়রিবা নুমিৎ অসি ফাওবদা কোভিদ পোজিটিব ওইবা অপুনবা মীশিংনা ১২,৫৬৯ নি। সেন্ত্রেল সেক্যুরিতি পার্সোনেল য়াওনা ষ্টেট অসিদা কোভিদকী এক্তিভ কেস ৬৫৩ লৈরি। কোভিদকী নুংনাংবা কোক্ত্রিঙৈ চৈরকসিদা মীওই খরনা সোসিয়েল মেদিয়াদা য়ুম্ফম য়াওদবা কোভিদকী ৱারোল কয়ামরুম চাইথোরকপসিনা হেন্না মীপাইনিঙাই ওইহল্লি। কোভিদকী অনৌবা ভেরিয়েন্ট ওমিক্রোনগী কেস ৮ ষ্টেট অসিদা থেংনরে হায়দুনা সোসিয়েল মেদিয়াদা চাইথোরক্লিবা করিদা য়ুম্ফম ওইরগনো? ইন্দিয়াগী ওইনা ওমিক্রোনগী কেস অনিখক থেংনরি হায়না য়ুনিয়ন হেলথ মিনিষ্ট্রিগী মায়কৈদগী ফোংদোক্লি। মনিপুর লৈঙাক্কী মরি লৈনবশিংনসু ষ্টেটসিদা ওমিক্রোনগী কেস থেংনদ্রি হায়না শেংদোক্লি। মীয়ামগী পুন্সিদা য়াম্না খুদোংথিনিংঙাই ওইবা তাঙ্কক্তদি য়ুম্ফম য়াওদবা অকিবা পাউনা মীয়ামগী পুক্নিং মীপাইহনবদি চুপ্নোই। লৈঙাক্কী মরি লৈনবশিংনা অহেনবা মীৎয়েং চংবা চুমগনি। হৌজিক ওমিক্রোনগী কেস অসি লৈবাকসিদা থেংনরবনিনা ষ্টেটসিগী মীয়াম্নশু কোভিদকীদমক মপুং ফানা এস ও পি ঙাকমিন্নবা তঙাইফদে।

মীওইবগী পূন্সি অমসুং চিঞ্জাক

অশাবা লমদা খর নহা ওইরপ থাগী খোঙচৎ লাকই। অদুগা অঙ্গংবা লমদা থাগী খোঙচৎ অসি থেঙনা লাকই। অশাবা লমদা চহি ১১/১২ অদুগা অঙ্গংবা লমদনা ১৩/১৪ দা মেন্স লাকপা হৌই। চহি ১৫/১৬ পাওবা থীন্থবসু য়াওই।

শগোলশেম ইন্দ্রমনি

ঈশিং অদুসু অশাবা ওইরবদি হেন্না ফৈ। শোন্থরক্লবা মতম অদুদা চরা হেনবা তোকপীয়ু। অদুগা শঙ্গোম থকপা নং ৰ দা লৈবীয়ু। শঙ্গোম থকপগী মতুংদা অকক্লবা চিঞ্জাক নং চ, প্ত, জ্ব চাদুনা লৈবা য়াই। হকচাং কন্না, নুংঙাইনা লৈরবা ফাওবদা চাগনি। হেনজিন্না চাবা য়াদে। হেক হৌবদা পোত্থাদুনা লৈবীয়ু অদুনা মরী শোক্তবা হেল্লি। নঙ্গলদা হোট স্পাইনেল পেক তৌবা ফৈ। নম্বা নানবা পূম্নমক কান্নগনি।

য়াঙ নম্বা, তিংথোকপা শাজেল, লয়বা, পৈথবা পূম্নমক য়াঙগী শাজেলনি। খোঙসু অদুমঙাই কোনথোক-কোনশিন শান্নবিয়ু (ফরবা মতমদা) তুম্বা মতমদা ঈশিং অশাবগী লিক্লী অদু অনাবা ময়াদা থম্বীয়ু। অদুনা সারকুলেসন হেঙ্গৎহনগনি অদুগা চীকপসু ফহনগনি। তোং অদু মোরামোৎ তৌজবা ঙমজগনি।

থীগী খোঙচৎ ঃ

নুপী ওইবা অমগী পুন্সিদা চহি ১৪/১৫ দগী হৌরগা চহি ৪৫/৪৬ ফাওবা মতম নাইনা নুমিৎ ২৮/২৮ নিগী মনুংদা থাগী খোঙদা ঈ ওইনা চৎপা ঈগী খোঙচৎ অমনি।

থীগী খোঙচৎ ঃ নুপী ওইবা অমগী পুন্সিদা চহি ১৪/১৫ দগী হৌরগা চহি ৪৫/৪৬ ফাওবা মতম নাইনা নুমিৎ ২৮/২৮ নিগী মনুংদা থাগী খোঙদা ঈ ওইনা চৎপা ঈগী খোঙচৎ অমনি। ওভমগী থোরকফম ওভারীদগী ওভম হায়বদি মরূম মচা মচা থোরক্লগা ফিলোপীয়ান ট্যুবতা চঙখ্রগা, মদুদগী ইউটরস ফাওনা চৎখিদুনা মেন্স অসি লাকপনি। অদুগা মীরোনখ্রবদি ঈউটরসতা অদুম ফাজিন্দুনা লৈখি।

মেন্স হায়বদি থাগী খোঙচত্তা লাক্লিবসি হাউ খর অমসুং ইউটরসকী মরী-মতাংদগী থোরকপা মশা ফৎত্রবা ইপিসেলিয়েল সেল খরগা লোয়ননা থোরকপা ঈনি। থাগী খোঙচৎ লাকপসি মীওই শুরে তাকপনি। মসি লাকপগা হকচাং মপূং ফাবগা লোয়নৈ।

থবাক মপূং ফানা চাউখৎলি পবরটি হিয়ার লাকই। মসিনা তাকপবু নুপীমচা অদু মপুং মরৈ ফারে - মা ওইবদা খুদোং থীদ্রে তাকপনি। অদুগা নুপী অমনা মীরোনখ্রবদি থাগী খোঙকাপ লেপখ্রে। অঙাং পোক্লগা অমুক লাক্কনি, অমুকহন্না মীরোনদ্রিফাওবা লৈগনি। অঙাং অদু খোম পীথক্তুনা থল্লবদি খোমনৌরিবা মতম অদুগী মখৈ থাগী খোঙচৎ লাকলোই, মদুদা করিসু কিবিরুনু, হৌনবীনি। অশাবা লমদা খর নহা ওইরপ থাগী খোঙচৎ লাকই। অদুগা অঙ্গংবা লমদা থাগী খোঙচৎ অসি থেঙনা লাকই। অশাবা লমদা চহি ১১/১২ অদুগা অঙ্গংবা লমদনা ১৩/১৪ দা মেন্স লাকপা হৌই। চহি ১৫/১৬ পাওবা থীন্থবসু য়াওই।

শাবনে, চীঞ্জাক ফবনে, য়াম্না কেনা-মৌনা লৈবনা মেন্স লাকপদা থুজিলহল্লি। য়ুম অশাবদা লৈবননি, অদুগা ঈস্কীমোশিংদি অশাবগা অমসুং অঙ্গংবা লমদমগী চহি মতাং অদুৱাইদা লৈ। ঈংমন্দুনা কুইথবা তৌদে। মেন্স অহানবা লাকপসি – অঙাংশিংনা য়াম্না ঈকায়না থোকই। অদুনা লোৎশিন্দুনা, খঙহন্দনা থমগল্লি, অঙ্গংবা ঈশিংনা হান্নগুম ঈরুথোক্তুনা লৈবা ফত্তে। ঈদু লেপখিনি, হকাচংগী খোঙচৎনি, করিসু ঈকায়ফম থোক্তে। অহানবা ১/২ রক লাক্লম্লগা লেপখ্রবা থা ২/৩ গী মতুংদগী চাং নাইনা অদুম লাকপনা নমই।

কর্সিঃ স্নেহ পব্লিকেসন্স

ঐগী ইমা — ৪১

থোকচোম বিনাপাণি

'**ঙসিগী** চাক অসিবু করিগীনো ঐখোয়গী পাবুংনা হান্নসু হায়দে, ঙসি অয়ুক্তা খঙই।' দেবনা খুম্মী।

'ঙসিদি প্রেস অসিগী ফাউণ্ডেসন ডে নি। অদুফাউবা খংদবরনে?'

অদুগা দেবনা নোকফেৎ তৌই, রাণীনা খুম্মী,'অশেংবা খঙদবনি, ঐসু খঙদে ঐখোয়গী ইমাসু খঙদে। ঐখোয়গী পাবুংদি অসুম হায়না হেক্তা তৌবনি ঐখোয়দা করিমত্তা তাক্তুনা বামোন কৌরগা চাক হেক্তা থোংহল্লি।'

অদুবুদি দেবনা হায়,'অইবশিংগী হৌনশানি। ইবগী ৱাখলদা অসুম তাউদুনা লৈখিবা হায়গদবা ৱা কয়া কাউথোকপসু ওইরম্বা য়াই।' হায়রন্নগা দেব চংখি। অদুগা মানা মিটিংগীদমক শেম শাখ্রে। নুপামচাগী মমান্নবা ওজা সরত, ওজা বীরা অমদি ডাক্তর তোম্বা মখোয় অহুমসু য়ৌরক্লে। মেম্বরশিংনা ফমখ্রবা মতুংদা নুপামচানা মাগী থবক তৌরিবা ষ্টাফশিংদা পূক্নিং লৌশিং ওইনবা ৱাফম খরা হায়রকখি।

'পৃথিবীগী খোঙজেল অসি য়াংবা হেনগৎলক্লে। মেছিন ময়াম পুথোরকপগী মতুং ইন্না মীওইবশিং য়াংবা অসুম হেনগৎলে। মসিদা তপথরিবসি ঐখোয়দা মঙায়রে। মখোয় লোইনমক ইলেক্ট্রোনিক মেডিা ঙাক্তনি। মাংদা চংশিনবদা অসুক্কী মতীক থুজিনগদবনি। অদুগা হৌজিক্তি শিংনবগী অমদি কম্পিটিসনগী মতমনি। নখোয়না ফোঙলিবা খবর অসে মীনা পানিংদ্রবদি নখোয় ফেল ওইরবনি। ঐখোয়গী ফিল্ড ৱার্করশিং, রিপোর্টরশিং মপাঙ্গল য়াম্না শোল্লি। নখোয় অমুক্তং কনখৎনবা হোৎনৌ। নখোয়গী অচং পোৎচংশি ঐনা পীগনি। গাড়ী, কেমেরা, টেপ রেকোর্ডরশিং য়াম্না থুনা লৈরগনি। হায়রিবশিং অসি নখোয়না শিজিন্ননিংবা মওংদা শিজিন্নবা য়াগনি। ঙসিদি নুঙাইরবা নুমিৎনি। অদুনা চাকলেন অমা চামিন্নরগা নংগী নংগী থবক্তা মায় ওন্সিল্লো। মতমগী অহোংবদা ঐখোয়না য়াওবা ঙমদ্রবদি চাউখৎপদা চংশিনবা নত্তে। তুং হনবনি।'

মসি হায়রগা লোয়শিনখি। গাড়ী অমমম পীনি হায়রকপদা ময়াম পূম্নমক হরাওনখি। অদুগা মখা তারকপদনা সাহিত্যগী মপাঙ্গল কনখৎনবা মীয়ামদা অইবশিংগী পাওজেল পীননবা শৈরেং, ৱারেং নুমিৎ খুদিংগী হাপ্পা ঙমদ্রবসু নোংমাইজিং নৎত্রগা নিংথৌকাবদা হাপ্নবা খন্নবসু লোইখ্রে। ঐখোয়গী পেপরশিং অসি মনিপুরগী ৱাংমদা হায়বদি ত্রিপুরা, বাংলাদেশ, বংলাদেশ নৎত্রগা মালেমগী মফম অমদা লৈবা মীনা পাবা ফংলগনি। অতৈ অতৈ প্রোগ্রামদগী সাহিত্যগী প্রোগ্রামনা হেন্না পামগনি।

নুমিৎ অদো য়াম্না নুঙাইবা নুমিৎ অমা ওইখ্রে। দেব ৱাখল খল্লি। মহাকসু ক্রিয়েটিব রাইটিং য়াম্না পামজবা মীওই অমনি। রাণীসু ইনিং ৱাখল ইনৌ নৌনা লাকপগুম তৌই। অদুবু পাক হেক খুৎ থাবদি ঙমগদবা মান্দবনা মপূক্নিং চরাংনরি। নোংমা নৎত্রগা নোংমদি শোয়দনা ইগনি হায়বা ৱারেপ অমা মথন্তা লৌজখি।

মথংগী নুমিত্তগী হৌনা রাণীনা দেবগা ৱারী খরা খরা শান্নবা হৌজরে। নুমিদাংৱাইরমগী মতমদা রাণীনা দেবগী কাদা চংলক্লগা হায়,'মিং হেক্তা কৌনরসি। নহান হায়নখিবা ইবগী মতাংদো ঐসু খরা ইনিংই। অদুগী মতাংদা ৱারী খরা তানিংই। মিং কৌবসিবু করি কায়বগে?'

দেবনা হাইপেৎতমক য়েংলম্মী। মমিৎতুদি ইরাও লাওনা অদুগা নোকফেৎ তৌনা হায়রকই, 'চহীদি ঐনা হল্লি।'

লাইশোন ঈশৈ অমসুং লৈবাক নিংবা ঈশৈদ

নোংমাইথেম পহ্যাডী – ০২

মাখোনমনি মোংশাবা

মীরোলদা ঈশৈ শকপা, মীরোলদা লীলা শান্নবা, ইরোল লৈনা মীরোলনা হেন্না শীজিন্নবা পূম্নমক মথং মথং মখা তারকপা মীরোন্নসু থাদোক্লবা হৌরকই। মতম্না পুরকপা অওনবশিংগী মনুংদা নোংমাইথেম পহ্যাডী অচঙবা মীশক অমা ওইনা ঈহৌ অসিদা য়াওরকই। অওনবা হায়বসিদি মালেমগী মফম খুদিংমক্তা তৌনরিবা ঙাক্তনি। ৱাখল অশোমদা চঙশিনবা মরৈবাক নুংশিবগী ৱাখল খজিক ফোঙদোকলুবশিংবু লালহৌবনি হায়দুনা মরাল পীশিনবসি অঙনবা মতমদগী লমদম অসিদা চৎনবা হৌরম্লে।

কৈশুমশঙদসু ঈশৈ ঃ

অওনবা পুরক্লবা খোঙ থাংজিল্লুবা, নোংমাইথেম পহ্যাডীনা মমা লৈবাক মরমদমবু নুংশিরুবগীদমক চৈচৎ কুমশীং ১৯৬৯–১৯৭২ দা ফাজিন্দুনা ইম্ফাল অমদি অগরতলাগী কৈশুমশংদা লৈখি। কৈশুমশংদা লৈরম্বা মীয়াৎ তারবা মীওই কয়াগা থেংনখি। নোংমাইথেম পহ্যাডী ঈশৈ শকপা মীনি হায়বা খঙলকপদগী কৈশুমশঙ মনুংদা মখোয়না ঈশৈ কয়া শকহনখি। থম্মোই মশেন তিন্নখি।

কৈশুমশঙগী বন্দিশিং অদুবু ঙাইহাত্তুংদং ওইরবসু মহাক্কী ঈশৈনা অৱা পোথাহনখি। ফাদোকশিং অদুদা নৎতনা কৈশুমশঙগী জেল্লর, ৱার্দর, তফাদার ফাওবনা মহাকপু ঈশৈ তোয়না শকহনখি। মহাক্লা কৈশুমশঙদা লৈরুবসিনা অনৌবা সুর, শৈহেক কয়া থোরক্লবগী মরু ইহুল অমসু হুলহনখি। নোংমাইথেম পহ্যাডীনা লৈরিবা অগরটালাগী কৈশুমশঙ অদুদা, থংনবা কা অমদসু মী হাৎলুবগী মীয়াৎ তারবা বন্দি অমনা মখূৎতা দুইতরা খোংলগা মরক মরক্তা ঈশৈ শকপা মহাক্লা তাখি।

অনেক শদৈর ময়না ।। আমার বাঁধান কেটেজায়... ।। থম্মোয় পোন্দা পামুনা য়োকচরম্বী ।। থৱায়গী চেক্লাদি পাইখ্রে ...

ঈশৈ শকপা মশেলদি শক উন্নদ্রবসু ঈশৈগী খোঙ্গেলনা শক খঙনখি, খোন্থোক্লা পাউ ফাউনখি। তুমিন্না লৈবা ঙমলক্ত্রদুনা নোংমাইথেম পহ্যাডীনা মহাক্কী থংনবা ফাদোক অদু তানবা ঈশৈনা পাউখুম পীখি –

সুরনা সজে ক্যা গাউং মৈ।। সুরকে বিনা জীবন মুনা ...

শৈশকপা অনীমক্কী ঈশৈগী সুরনা মখোয়না লৈরিবা জেলগী কা অদুগী মরক্তা খারিবা ফক্লাং অদু ফাউদোক্তুনা মনিং মখা তম্না ঈশৈনা অমগা অমগা ৱারী শান্নখি, থম্মোই অনী তীন্নখি। মসি ফাওবসি শৈশকপা অমগী কৈশুমশঙগী পূন্সি মতেক্কী ৱারী লমদাং অমনি। মহাক লৈপাক্কী শৈশকপনি হায়বদি মীয়াম্না পাকশন্না খঙনরে, মরৈবাক মরমদম নুংশিজবা মীশক অমনি হায়বসিমদি নুংগী, থম্মোয়গী ওইবা পোৎশকনিনা মপান থোক্লা মীয়াম্না মায়খৈ অশোমদা খঙদবগী ৱানি।

অদুবু মহাক্কী খোন্থোক্তা, ময়েক্তা তাইবং মপু ঈশ্বরবু শাগোন্নজবা, নীংজবা মরৈবাক নুংশিবগী ঈ হকচাং শিনবা থুংনা চেল্লি হায়বসি মহাক্লা শকখিবা ঈশৈশিংনা তাক্লি। অশৈবসিনা হিংলিঙৈ পুন্সিদা শকখিবা ঈশৈসি মখল মথেল কয়ামুক্লি। ঈশৈ মখলশিংগী মনুংদগী শিন্নবীরকপা পেপর 'লাইশোন ঈশৈ অমসুং লৈবাক নীংবা ঈশৈদা নোংমাইথেম পহ্যাডী' হায়বা অসিদা পূক্নিং চিংশিঞ্জরগা মহাক্কী লাইশোল অমদি লৈপাক নীংবা খরদং লৌখৎচরি।

অশৈবগী লাইশোল ঈশৈশিং ঃ

ৱাখল খনবা ঙল্লিবা মীওইবনা তাইবঙপানবগী মপু ওইরিবা শকউদবা মাবু মতম পুম্বদা চেৎনা থাগোন্নজে, থাংলকপা খোঙথাং খুদিং, হল্লকপা ৱাখল পুম্নমক্তা মহাত্তুগীনি। মহাক্কী মতীক মঙালনা য়ৌদবা মফম লৈতবনি। লাংওন খুদিং শক্লোন অমমম্লি। ফত্তববু লানবীবা, অচুম্বা লম্বী তাকপীরিবা মহাক্কী মফমদা চংজরগা ফংঙমদ্রবা খুয়া থম্বাল ফংজগনি হায়না থাজনৈ।

ইদিটরদা চেল্লকপা পাউথাং

[illegible]



লৌশিংগী পুক্কে - ১০৮৫
০৮৮০।০২

কষ্টদিয়ান, ইথোক-হন্দোকপা ঃ চনম হেমচন্দ্র

রইমা ।। থংতা নোংপান্ আঙৌবা চানুঅো ।। লাইরেল্ নাসাপী অয়্কা ।। সানৌ য়ীপীঙ্ঙাপু ।। থৱায় ১ তানে ।। হক্সাং তুংঙান্ খাইনা ।। তান্লোয় তুনুংশিং থংলেল্ ৱানুংসিপু ।। ওইনা পাল্মানারাপা আসিপু ।। তুপী চীঙ্ঙু ।। য়ীরাইপক্ ।। য়োয়্পু য়ামচেং নাতুরোইকি ।। পল্লেম্ নাওৱা খো

লৈমা । থংদা নোংপাল অঙোম চনু-ও । লাইরেল শাবী ঐগা । ইশাবী ঐখোয় অনিদি থৱাই অমৎতনে । হকচাং তুংঙান খায়না । তানলোই তুনুংশি থংলেল ৱাননুংশি । নুপী ৱানুংসিব ৱাওইনা পানমানারবা অসিবু তুবী চীঙহু ইরাইপক । য়োইবু লৈমা য়ামচেং নপুরোইগী পললেম নৱা । মমা

লমায় অসিদা ফোংলিবা ফিচর আর্টিকলশিংদা পিরিবা মত অমদি লৌরিবা ফিরেপশিং অইবা মশাগীন– ইদিটর